# নিতিস কুমারনা অসামগী লুচিংবশিং উন্নদুনা বিহারদা চৎখিবা থৌশিলগা মান্ননা পায়খৎনবা খঙহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৯ঃ**

বিহারদা গ্রান্দ এলায়েন্সনা পায়খৎখিবা থবক থৌশিলশিং অদুগা মান্ননা মথংগী থা মরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম ষ্টেট এসেমব্লী মীখলদা পায়খৎনবা অসামগী লুচিংবা কয়ানা উন্নখ্রে।

নিতিস কুমারনা অসামগী হান্নগী চিফ মিনিষ্টর অমসুং অসোম গনপরিষদকী লুচিংবা প্রফুলোকুমার হন্তাগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা বিহার বাভনদা উন্নখি।

মহন্তনা এন দি টি ভিদা ফোঙদোকখিবদা মীফম অদু মপুং ফাবা অমনি। নিতিস কুমার অফবা মরুপনি হায়না ফোঙদোকখি।

রাজনিতিগী পায়খৎলিবা থৌশিলগী মতাংদা নিতিস কুমারনা ভোট খোম্বগী থবক্তা মায় পাক্লা থৌদাং লৌখিবা প্রসান্ত কিশোরগী মতুং ইন্না চপ চাবা থবক পায়খৎতুনা থৌশিল অমগী মখাদা চৎবা দরকার ওই।

মমাঙদা কুমারনা লোকেল লিদর বাদ্রুদ্দিন অজমিন কৌবা ওল ইন্দিয়া য়ুনাইদেট দিমোক্রেটিক ফ্রন্টকী লুচিংবগা ৱারি শান্নখিবসু লৈখি।

অসাম ষ্টেট চহী ১৫ কংগ্রেসনা সাসন তৌদুনা লাকখ্রবনি। হায়রিবা ষ্টেট অদু বি জে পিনা মথং লাক্কদবা এসেমব্লী মীখলগীদমক অকনবা মীৎয়েং চংলি।

অসামদা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা সিট ১৪গী মনুংদা তঙ্খাই অমা ফঙবা ঙমখি। মীওই কয়ানা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা ফঙখিবা সিট মশীং অদু বি জে পি নত্তবা ভোটরশিংনা ভোট থাদবদগী ওইখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিদা বিহারদা পাঙথোকখিবা মীখলদা নিতিস কুমারনা লুচিংবা গ্রান্দ এলাইন্স মরু ওইনা জনাতাদল, রাজত্রিয়া জনাতাদল অমসুং কংগ্রেসকী কাংবুনা বি জে পি মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ফিভম অদুমক অসামদসু ওইহন্নবা নিতিস কুমারনা মীৎয়েং থগ্নি।



কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনহোহন সিংহ, রাহুল গান্ধি

# অফগান টালিবানশিংনা কন্দহারদা এটেক্ট চথরকপদা ৪৬ শিরে, মীচম কয়া য়াওরি

**কবুল, দিসেম্বর ৯ ঃ**

অফগানিস্তানগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা কন্দহার সহরদা অফগান টালিবানশিংনা এটেক্ট চথরকপদা য়ামদ্রবদা সিক্যুরিটি পার্সোনেল ৪৬ য়াওনা মীচম কয়া শিহনখ্রে।

টালিবানশিংনা কন্দহার এয়ারপোর্টতা চথরকখিবা এটেক্ট অদুদা মীচম কয়া হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। এয়ারপোর্ট অদুগী মনুংদা নাটো অমসুং অফগান মিলিটরিগী হেদ ক্বার্টর লৈরি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী লিখুল অসিনা ফোঙদোরকপদা এটেক্ট চথরকখিবা মীওইশিং অদুদা এয়ারপোর্ট অদুগী অহানবা হোজং খুদুম চন্নবা হোৎনখি। হৌজিকসু মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পবগী থবক চৎখরি।

অফগান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী পাউ মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মীচম ৩৭ অমসুং সিক্যুরিটি পার্সোনেল ৪৬ চৎখ্রে। অদুগা মীচম ৩৫না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

মিলিটরি হোস্পিটালদা অশিবা হকচাং ৪১ থুংলখ্রে। মদুগী মনুংদা লান্মীগী মীওই ৪গী হকচাং য়াওরি। লালহৌবশিংনা ফাজিনখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা নুপী অমসুং পিক্লিবা অঙাং কয়া য়াওরি হায়রি।

অফগান সিক্যুরিটিনা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা মীওইশিং কনবা ঙম্মনবা হোৎনরি। এয়ারপোর্ট অদুদা পুং কয়া চুপ্পা নোংমৈ কাপ্পখি হায়রি।

এয়ারপোর্ট অদুদা সিক্যুরিটিগী অশোয়বা লৈবদগী মিলিটেন্টশিংনা খূৎশু খূৎলাইশিং পুশিন্দুনা এটেক্ট তৌবা ঙমখিবনি হায়না অফগান নেসনেল সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা টালিবানশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়গী থৱায় কৎপা ঙম্বা লান্মী কয়ানা এয়ারপোর্ট অদুদা চংশিন্দুনা অকনবা এটেক্ট চথখি। মদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা খঙবা ঙমখিদে হায়রি।

কন্দহার আর্মিগী কম্মান্দর সের সহানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা এটেক্ট চথরকখিবা মিলিটেন্টশিং অদুনা উরদুর লোনদা ৱারী শান্নবগী পাউ রেদিও ইন্টসেট তৌদুনা খঙবা ঙমখি। মখোয়না ঙাংলিবা লোন অদু পাকিস্থানগা নক্নবা মফমশিংদা মরু ওইনা শিজিন্নবা লোননি হায়রি।

অফগানিস্তানগী ওফিসিয়েলশিংনা তৎতনা তংদু লৈতাদবা পাকিস্থানদা তৎতনা মরাল শিরি। টালিবানশিংনা ফোঙদোরকখিবদা লান্মীগী মীওই ৮০ রোম হাৎখ্রে। অদুম ওইনমক চপ চাবা মশীং খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

কন্দার এয়ারপোর্টকী দাইরেক্টর অহামদুলা ফায়জিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা এয়ারপোর্ট অদুদা কম্মর্সিয়েল ফ্লাইটু তোংননবগীদমক ইন্দিয়া মচা কয়া লৈখি। মখোয় এয়ারপোর্ট অদুদা লানফা ওইনা লৈরি হায়রি। থৌদোক অদু অফগানিস্তানগী প্রসিদেন্ট আসরফ গাননা পাকিস্থানদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়া, য়ু এস অমসুং পাকিস্থানগী মীফম য়াওনবা চৎখ্রিঙৈদা থোকখিবনি।

মীফম অদুদা টালিবানশিংগী ৱাফম খন্নগদবনি হায়রি। অফগানিস্তানদা নাটো অমসুং য়ু এসকী ফোর্সশিং চৎখিবা মতুংদা মিলিটেন্টশিংনা হিংশাগী থবক হেন্না চথরক্লি। হৌখিবা থাদা টালিবানশিংনা অকনবা লান চথরক্তুনা মায় পাক্লা অৱাং থংবা কুন্দুজ সহরগী মফমশিং খুদুম চনখিবা লৈখি হায়রি।



# রাহুল গান্ধি পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা য়ৈখায় থিনগাইবা থোকহনবা খুৎলাই অমনি, মহাক্লা মতিক চাবা প্রমান পীগদবনি ঃ গভর্নমেন্ট

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৯ঃ**

রাহুল গান্ধিদা সরকারনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, মহাক্লা সরকার অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতা মরাল শিরিবা অদুগী চপ চাবা প্রামান পুথোক্কদবনি। নেসনেল হেরাল্ড ইশুগী মতাংদা হাউসকী মতম মাংহল্লে। মহাক্লা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি হায়না মরাল শিরক্লি।

কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা নেসনেল হেরাল্ড কেস অদু রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রজিব প্রতাপ রোদিনা হায়, মহাক্লা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎলিবা অমসুং ঙাংলিবা ৱাফমশিং অদুগী মতিক চাবা প্রমান পীবা ঙম্বগী থৌনা লৈরোই।

রাহুল গান্ধি হাউসকী মীফম য়ৈখায় থিনগাইবা থোকহনবগী ইন্সত্রুমেন্ট অমনি। কোর্টনা মহাক অমসুং মহাক্কী অপোকপী সোনিয়া গান্ধিগী মথক্তা নোর্টিস থাখ্রবনি। অদুম ওইনমক মখোয়না কোর্টকী ৱাফম অদুগী ৱাংমদা লৈবাক অসিগী হেরো অমা ওইননবা হোৎনরি।

মখোয়না হাউসতা চপ চাবা প্রমান পীনবগী থৌনাসু লৈরোই। রাহুল গান্ধিদা হংনিংলিবদি করিগুম্বা থৌনা অদু লৈরবদি চপ চাবা প্রমান পুথোক্তুনা হাউসতা ফোঙদোক্কদবনি।

মহাক্লা সরকার অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী মায়োক্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু চপ চাবা প্রমান পীগদবনি হায়খি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিনগটগারিনা হায়, কংগ্রেসনা কোর্টকী ৱাফম অদু ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনগদবনি। মদুগী মতুংদদি করিসু হায়নিংঙাই লৈতে হায়খি।

হাউস অমসুং গভর্নমেন্টনা নেসনেল হেরাল্ড কেসকী মতাংদা করিসু তৌনিংঙাই লৈতে। মদু কোর্টনা ৱারোইশিন পীবগা লোয়ননা ৱায়েল পীগদবনি। পার্লিয়ামেন্ট মীফম চথবা য়াহন্দবা হায়বদু দিমোক্রেসিদা অফবা অমা নত্তে হায়না পার্লিয়ামেন্টকী মমাঙদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কংগ্রেস পার্টিদা হায়জনিংই মদুদি হিরম অদু কোর্টতা লোইশিনবীয়ু। হিরম অদু পার্লিয়ামেন্টকী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীগনু। পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা সরকারনা কোর্টকী ৱায়েলদা খূৎ থিংজিনবা য়ারোই হায়খি।

কংগ্রেসনা শিরিবা মরালশিং অদু রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজিয়া বর্ধন রাথোরনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী কয়াদগী মীওই কয়ানা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনদুনা লাকখি। কংগ্রেস পার্টিনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী ৱাফমদা জুদিসিয়ারিবু মরাল শিরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কংগ্রেসকী লুচিংবশিং মরু ওইনা প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি, ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি কোর্টনা চৎলিবা থা অসিগী ১৩দা মশা লাক্লবা খঙহনখ্রে। মদু বি জে পিগী সুব্রামনিয়ম স্বমেনা নমথাক তৌবা অমসুং লন-থুম লেপশিনবগী মতাংদা ৱাকৎলকখিবগী কেস অমগী মতুং ইন্নি হায়রি।

# সিরিয়া ৱাথোক ঃ রিবেলশিং হোমস থাদোক্তুনা চৎখ্রে

**দমাস্কস, দিসেম্বর ৯ঃ**

সিরিয়াগী মরু ওইবা সহর হোমস সরকারগা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট চৎনদুনা য়ান্নবগী লাক্লবা মতুং রিবেলশিং দিষ্ট্রিক্ট অদু থাদোকপা হৌখ্রে।

হায়রিবা মফম অদুগী মরু ওইবা মফম অল-ৱায়র চহী ৩গী মমাঙদগী রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরকখিবনি। রিবেলশিং অদু ইদলিফ প্রোভিন্সতা মফম হোংদুনা চংশিনখ্রে হায়রি।

ইং ২০১১ হৌরকপদা লমদম অদুদা অকনবা লান থোকখি। হৌজিক্তী সহর অদু সরকারনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌবা ঙম্লে হায়না প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফাইটরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিং হোন্দোকখিনবা বসশিং থুংলখি। হোমসতগী হায়রিবা লালহৌবা অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিং মতাইদা হোন্দোকখিগদবনি হায়রি।

হোমসকী গভর্নর তলাল পরাজিনা ফোঙদোকখিবদা রিবেল অমসুং মীচম ৭০০ য়াওনা মীওই কয়া য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। রিবেলশিং অদু অল-কায়দাগা শম্নবা কাংবুনি।

মখোয়না নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী ৱাফম অদু য়াবগা লোয়ননা মখা তাবা থবক পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। য়ু এসনা শৌগৎপা দিল অমগী মখাদা হায়রিবা মফমশিং অদুদা চানবা চিঙ্গাকশিং চহী অমরোমগী মমাঙদগী পুশিনবা য়াহনখি। য়ুমশকৈশ নুমিৎতা অল-ৱায়র লম্বীদা বস কয়া চৎপা উখি। মদুগী মনুংদা য়ু এসকী কার, এম্বুলেন্স অমসুং সিরিয়া মিলিটরিগী গারিশিং য়াওখি হায়রি।

লমদম অদুগী বফর রোনগী মনুং চনবা সিরিয়া লান্মী অমসুং য়ু এসকী হিগোক মচুগী জেকেট লিৎপা লান্মীশিংনা য়েংশিনখি। য়েংশিনখিবা অদুদা সিরিয়া রেদ ক্রেসেন্টকী অঙাংবা মচুগী কোর্ট লিৎপা ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

মফম অদুদা অশোকপা মীওই কয়া অমসুং ৱিলচিয়রদা তোংবা মীওই কয়াসু চৎননবা হোৎনখি। ফাইটর কয়াগী ইমুং ১০০ হেনবনা মমিৎতগী মপি শিন্থনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি।



# রসিয়াগী মেদিটরেনিয়ন সমুদ্রদা লৈবা সবমেরিনদগী সিরিয়াদা মিসাইল কাপশিনখ্রে

**সানা, দিসেম্বর ৯ঃ**

রসিয়াগী মেদিটরেনিয়ন সমুদ্রদা লৈবা সবমেরিনদগী মিসাইল কাপ্পুনা অহানবা ওইনা সিরিয়াগী টার্গেটতা পালহনবা ঙমখ্রে হায়রি।

রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গিসোইগুনা ফোঙদোকখিবদা কেরিভর ক্রিজ মিসাইলশিং মেদিটরেনিয়ন সমুদ্রদা লৈবা রোসটৌভ-ওন-দোন সবমেরিনদগী সিরিয়াগী রকাদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী পোজিসনদা মায় পাক্লা কাপশিনখি।

রসিয়ানা চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদনা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না এয়ারষ্ট্রাই কচথবা হৌখিবনি হায়রি। য়ু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা হায়, রসিয়ানা সিরিয়াগী হাক্লা লুদবা মফমশিংদা টার্গেট তৌরি।

মখোয়না চথখিবা এয়ারষ্ট্রাইক অদুনা মীচম কয়াদা অমাং অতা থোকহল্লি হায়না ফোঙদোকখি। রসিয়ানা হায়, রাক্কাদা লৈবা আই এসকী পোজিসনশিংদা রসিয়াগী ক্রুজ মিসাইলশিং হিট তৌখি হায়না লাউথোরক্লি। রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননা মখোয়গী মেদিটরেনিয়ন সমুদ্রদগী ক্রুজ মিসাইল কাপশিনখি হায়বদু কনফার্ম তৌরে হায়না লাউথোরকখি।

# ইরাক ফোর্সনা রমাদি দিষ্ট্রিক্ট লৌশিনবা ঙমখ্রে

**বাগদাদ, দিসেম্বর ৯ঃ**

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা রমাদি সহর ইরাক সরকারনা অমুক হন্না লৌশিল্লে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্টর টেরোরিজম সার্ভিস (সি টি এস) না ফোঙদোরকখিবদা সহর অদুগী টামিনদা ঙরাং অকনবা লাল শোক্লখি। লান্মী অমসুং মিলিটন্টশিংগী মরক্তা অরোইবা ওইনা রামাদি সহর লৌশিনবা অকনবা লাল অদু শোক্লখিবনি।

আই এসনা মে থাদগী খুদুম চন্দুনা লৈখিবা রামাদি ইরাক লান্মীনা অমুক হন্না খুদুম চনবা ঙম্লে হায়রি। মমাঙ থাদা ইরাক লান্মী অমসুং ইরাক সরকার শৌগৎবা মিলিসিয়াশিংনা রামাদি সহর কোইশিন্দুনা থমখি।

রামাদি সহর মনুংদা লৈবা আই এস মিলিটেন্টশিংগী থবক থৌরম পুম্নমক ককথৎতুনা থমখি। হায়রিবা মফম অদু ইরাক্কী কোনুং বাগদাটতগী কিলোমিটর ৯০ রোম চৎলগা লৈবা ফমনি। মফম অদু মিলিটেন্টশিংগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা মফম অমা ওইরম্বনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-475**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | 9 | | | | 3 |
| | | | 8 | | | 9 | 7 | |
| | 1 | 7 | | 3 | | | | 5 |
| | | | | 1 | | | 3 | |
| | | 9 | | | | 6 | | |
| 8 | 4 | | | 2 | | | | |
| | | 5 | | 8 | | 4 | 2 | |
| | 7 | 2 | | | 9 | | | |
| 4 | | | | 5 | | | | 7 |

**সনা-সুদোকু- ৪৭৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 9 | 5 | 1 | 6 | 4 | 7 | 8 |
| 6 | 4 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 5 | 1 |
| 8 | 1 | 5 | 7 | 4 | 9 | 6 | 2 | 3 |
| 7 | 6 | 4 | 2 | 3 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 5 | 3 | 2 | 6 | 9 | 8 | 1 | 4 | 7 |
| 1 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 3 | 6 | 2 |
| 9 | 7 | 6 | 8 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 4 | 8 | 1 | 9 | 2 | 7 | 5 | 3 | 6 |
| 2 | 5 | 3 | 1 | 6 | 4 | 7 | 8 | 9 |

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 755/SDC/P of 2015*

**Thokchom Sonolata Devi**
W/o. (L) Th. Robindro Singh of Kongkham Leikai.
**- Petitioner**

**-Vrs-**

Th. Robindro Singh S/o Ibohal Singh of Kongkham Leikai.
**- O.P.s**

**NOTICE**

*Porompat, the 9th Dec, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদিঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 23-Kongkham Leikai গী Patta No. 84/Angsh (অরিবা) 30/A (অনৌবা) C.S. Dag No. 14/P an area .05 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নত্রগদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Porompat
Imphal East, Manipur.
SL/C/1/0091/10

OFFICE OF THE
**MANIPUR URBAN DEVELOPMENT AGENCY (MUDA)**
PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL
No. 16/1/2015-MUDA Imphal, the 8th December, 2015

**REQUEST FOR PROPOSAL**

The Manipur Urban Development Agency (MUDA), Imphal invites technical and financial proposals from eligible Consultancy Firms as per RFP document to select an agency for preparation of Housing for All Plan of Action (HFAPoA) and DPR for 28 towns of Manipur with respect to guidelines of Pradhan Mantri Awas Yojana - a mission of Housing for All (Urban). The scope of work, instruction to the agencies, eligibility criteria and prescribed formate etc. may be downloaded from the website http://manipur.gov.in and www. muda.mn.gov.in.

The proposal complete in every respect may be delivered to the undersigned by Post/Courier/Registered Post or through special messenger on or before 15.00 hrs of 30.12.2015 in a sealed envelop superscribed with "RFP-Housing For All Plan of Action & DPR for 28 ULBs of Manipur". Submission of proposal through other mode will not be accepted. Documents received after the above mentioned date will not be entertained. MUDA will not be responsible for any delay/postal delay or bids lost/damaged in transit in receiving the proposal.

**(N. Gitkumar Singh)**
Member Secretary, MUDA

*In case of queries and clarification on the above, please contact :*
**The Secretary,**
Manipur Urband Development Agency (MUDA)
PDA Complex, North AOC, Imphal - 795001
e-mail : hfamanipur15@gmail.com
SL/BILL/10

In the Court of the Sub-Deputy Collector
Porompat Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 864/SDC/P of 2015*

**1. Sahidur S/o (L) Abdul Khalique**
of Khetri Bengoon.
2. Khan S/o Sahidur of -do-.
**- Petitioner**

**-Vrs-**

**Abdul Khalique S/o (L) Subhan**
of Khetri Bengoon.
**- O.P.s**

**NOTICE**

*Porompat, the 9th Dec, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদিঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Khetri Bengoon গী Patta No. Nil (অরিবা) 769 (অনৌবা) C.S. Dag No. 304/671 an area 0.20 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নত্রগদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Porompat
Imphal East, Manipur.
SL/C/2/0092/10

Regd. No. : 456/M/SR/2010
KIME TUTORIALS
An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
Day Boarding for revision class X Exam, 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
Day Boarding for revision class XII Exam, 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
Foundation Course for Class X 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
• Printed probable questions & answers • Regular Test series on alternate days
• Self study hour under the guidance of expert daily • Van service & Hostel facility are available
Day Boarding Timing : 10am-4pm (Refreshment will be provided)
For more details contact Office of KIME TUTORIALS